# বোব হাউটন্না ঐহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী হেন্না ইথিল পীবিখিবা কোচনি : গৌরমঙ্গি সিংহ



*কোলকটা, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

বোব হাউটন্না ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অওনবা অমা পুরকপদা নত্তনা ঐহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী হেন্না ইথিল পীবিখিবা কোচ অমনি হায়না মমাঙদা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মণিপুরগী শান্নরোই গৌরমঙ্গি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

বোব হাউটন ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমদা কুমজা ২০০৬ দগী ২০১১ ফাওবা চার্জ পুরম্মী। মতম অসিগী মনুংদা শান্নরমখিবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা বোব হাউটন্না লৌরম্বা থৌদাংশিং অসি কাউনদ্রি। শান্নরোইশিং অসিগী মরক্তা ফোর্মর ইন্দিয়ান দিফেন্দর গৌরমঙ্গি সিংহসু অমনি।

বোব হাউটন্না ঐহাকপু য়াম্না কুপ্না শেন্নবিদুনা টিম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌহনখি। কোচ বোব হাউটন্না ঐহাকপু সেন্ট্রেল মিডফিল্ডদগী সেন্ট্রেল দিফেন্সতা ওন্থোকপীদুনা চান্নগদবা মওংদা শেন্বীখি হায়না গৌরমঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

গৌরমঙ্গি সিংহ কুমজা ২০০০ দা টাটা ফুটবোল একাদেমীদা য়াওখি। ঐহাক্না স্কুল অমসুং লোকেলিটিদা ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি। ঐহাক্না শান্নরকখিবা মেটচশিংদা সেন্ট্রেল মিডফিল্ড নৎত্রগা চান্নবা পোজিসন্দা শান্নবা হোৎনৈ।

টাটা ফুটবোল একাদেমীগী মায়কৈদগীসু ঐহাক্না হান্না শান্নরক্লিবা মওং অদুগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল মিডফিল্ডর নৎত্রগা সেন্ট্রেল দিফেন্সিভ ফিল্ডর ওইগদ্রা হায়না হংখিবা লৈখি হায়না গৌরমঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৬ দোহা এসিয়ান গেমসকী মাঙওইননা বোব হাউটন্না ঐহাক্কী পোজিসন অসি খনবদা চাওনা মতেং পাঙবিখি। এসিয়ান গেমস অসিগী মমাঙদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিংদা ঐহাকসু শরুক য়াখি। গেমস অসিদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী ফাইনেল স্কৱাদ লাওথোরকপদা ঐহাক য়াওরকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা হোং কোংগা শান্নগদবা মেটচকী মাঙওইননা ঐহাক্না ট্রেনিং সেসন অনী নৎত্রগা অহুমদা শরুক য়াবগী পান্দম থমখি। গেমস অসিদা শরুক য়াবদা ঐহাকপু কোচ বোব হাউটন্না সেন্ট্রেল দিফেন্সতা শান্নবা খঙহল্লকখি।

কোচ বোবনা হায়রকপা ৱাফম অদুদা ঐহাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোকখিদে। অদুবু মসি ঐহাক্কী ওইনদি য়াম্না চাওবা দিসিজন অমা ওইখি। ঐহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোকখি মরমদি ঐহাকসু এসিয়ান গেমসতা শান্নবা য়াওরগনি খনবদা। ফিভম অসিদা ঐহাক্না পোজিসন অমদা হেক্তা শান্ননবা থৌরাং তৌখি হায়না মশাগী চহী ৩৪ শুরবা গৌরমঙ্গি সিংহনা ফোঙদোকখি।

বোব হাউটন্না ঐহাক্কী তৌগদবা থবকশিং অদু য়াম্না লায়থোহল্লি। কোচ বোবনা ঐঙোন্দা প্রি-মেটচ ইন্সট্রকসন কয়া পীবিদুনা মতম পূম্নমক্তা পূক্নিং থৌগৎপীখি। ঐহাক মেটচ অহুমক্তা শরুক য়াখি। মেটচশিং অদু হোং কোং, মালদিপ্স অমসুং ইরানগা শান্নখিবনি। মেটচশিং অসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি। বোব হাউটন্না ঐহাকপু সেন্ট্রেল দিফেন্সতা শান্নহল্লকখিবা অসিনা ঐহাক্কী কেরিয়রদা য়াম্না অচৌবা থৌদাং অমা লৌহল্লে হায়না গৌরমঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

ক্লব লেবেলদা চর্চিল ব্রদর্সতা শরুক য়াদুনা সেন্ট্রেল দিফেন্সতা শান্নবা হৌখি। মসিগী মতুং মণিপুরদা অমুক হল্লকপদা সেন্ট্রেল মিডফিল্ডদা অমুক ওন্থোকখি।

গৌরমঙ্গি কুমজা ২০০৭ দা পাঙথোকখিবা নেহরূ কপ্তা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনেল টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি। টিম অসিদা শরুক য়ারম্বা দিপক মোন্দল মেটচ শান্নরিঙৈদা শোকপদগী কোচ বোব হাউটন্না মহাকপু মহুৎ শিলহনখি। মহাক বোব হাউটন্না য়াম্না ইথিল পীখিবা মীওই অমনি হায়না গৌরমঙ্গি সিংহনা হায়খি।

মসিগী মতুংদা মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই গৌরমঙ্গি ইন্দিয়াগী টিমদা য়াম্না মরুওইবা সেন্ট্রেল দিফেন্দর অমগী থৌদাং লৌরকপদা হৌরকখি। মহাক্কী কেরিয়রদা ক্লব লেবেল অমসুং নেসনেল টিম লেবেলদা য়াম্না মশক থোক্না শান্নবা ঙমখিবা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী য়াসাস্বিনি অমসুং রুদ্রানকসনা ৩শুবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিংদা মকোক ওইখ্রে





*চেন্নাই, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী সুট্টর য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱাল অমসুং টিন প্রোদিগি রুদ্রানকস পটিলনা ৩শুবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মকোক ওইখ্রে।

টোকিও ওলেম্পিক্স কোটা হোল্ডর য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱালনা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা মকোক ওইখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর রুদ্রানকস পটিলনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ২৫২.৯ স্কোর তৌদুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি। মহারাষ্ট্রগী রুদ্রানকস পটিলনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা পোইন্ট ২৫২.৯ স্কোর তৌখিবা অসি ৱার্ল্ড রেকোর্দ স্কোরনি। অদুবু চখরিবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসি ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ)না রিকোগনাইজ তৌদবা ইভেন্ট অমনি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নহা ওইরিবা সুট্টর য়াস ভরধননা পোইন্ট ২৫০.৮ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ফ্রান্সকী সুট্টর ইটৈনি জরমোন্দনা পোইন্ট ২২৮.৫ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ফাইনেলদা য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱালনা পোইন্ট ২৪৩.৮ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখিবনি। য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱাল মমাঙ চহীদা ব্রাজিলগী সিটি রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা টোকিও ওলেম্পিক্সকী কোটা ফংবা ঙমখিবনি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর গৌরব রানানা পোইন্ট ২৪০.৬ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং য়ুঠ ওলেম্পিক্স মেডালিষ্ট মনু ভাকরনা পোইন্ট ২১৮.৩ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

অহুমশুবা ওনলাইন সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ ইদিসন অসিদা সুট্টরশিংনা ঝুম প্লেটফোর্মদা চঙলগা মখোয়-মখোয়না লৈরিবা মফমশিংদগী ইলেক্ট্রোনিক টার্গেটকী মতেংনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারকপনি।

# টিম ৬ য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি

*লন্দন, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লৈরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী সিজন মখা তানা হৌবদা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্লব ৬ লোম্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসি জুন থাদগী হৌনবা পান্দম থল্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গ্রিন সিগনেল পীরক্লবদি টুর্নামেন্ট অসিগী লেমহৌরিবা মেটচ ৯২ মীয়াম য়াওহন্দনা ন্যুত্রেল ভেন্যুশিংদা পাঙথোক্লবগী শেম শাখ্রবনি।

টুর্নামেন্ট অসি মখা তানা পাঙথোকপগী ভোট তৌখিবদা য়ামদ্রবদা ক্লব ৬ রোমদি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ হৌবগী প্রপোজেল অদুগী মায়োক্তা লৈখি হায়না ৱাটফোর্দকী সি ই ও স্কোট দক্সবরিনা ফোঙদোকখি।

# অরোইবা ওলেম্পিক আর্চরি ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট ২০২১ গী জুনদা পাঙথোক্লগনি

*কোলকটা, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

মথং চহীদা পাঙথোক্লবগী য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগী পাঙথোক্কদবা অরোইবা ওলেম্পিক আর্চরি ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট ২০২১ গী জুন থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱার্ল্ড আর্চরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী নুপা টিমগী কোটা ফংবা লোয়খ্রে। মসিগা লোয়ননা নুপীগী কেটেগোরিদা ইন্দিভিজুয়েলগী কোটা অমা ফংবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপা আর্চরি টিম্না মথং চহীগী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরিস ষ্টেজ অসিদা শরুক য়াদুনা অরোইবা ওইনা টোকিও ওলেম্পিক্সতা ক্বালিফাইদ ওইবগী খুদোংচাবা অমা ফংলি।

ওলেম্পিক আর্চরিগী ফাইনেল ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অমা ওইরিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসি মমাঙদা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোকপগী সেদ্যুল লৈখিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা ইভেন্ট অসি পেরিসতা পাঙথোকপগী নৌনা মতম লেপখিবনি হায়না ৱার্ল্ড আর্চরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফাইনেল ক্বালিফায়র অসি ২০২১ গী মতম জুলাই ২ দা লৈরি। মরম অসিনা নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিশিংনা কুমজা ২০২১ গী জুন ১ ফাওবগী মনুংদা ফাইনেল ক্বালিফায়রদা শরুক য়ানবগী এঠলেটশিং খনবগী মতম পীরি।

দেটলাইন অসিগী মতম অসি টোকিও ওলেম্পিক গেমস মথং চহীগী জুলাই ৫ দগী পাঙথোক্লবগী অনৌবা মতম লেপখিবদগী শাং দোরকপনি হায়রি। পেরিওদ অসিদা এঠলেটশিংনা মখোয়গী দরকার লৈবা ক্বালিফায়িং স্কোরশিং অদু ২০২১ গী জুন ২৮ ফাওবদা ফংনবা খঙহল্লক্লি। মমাঙদা পেরিওদ অসি ২০২০ গী এপ্রিল ১ দগী ২০২০ জুন ৩০ ফাওবগী মতম লৈরম্বনি হায়রি।

# মিনিষ্টরনা লোকদাউন মতুংদা স্পোর্টসকী প্লান শেম্নবা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লোকদাউন থমজিল্লিবা অসি লৌথোকখ্রবা মতুংদা য়ৈথোক্তুনা লৈরিবা স্পোর্টস এক্টিভিটিজশিং নৌনা অমুক হৌনবা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা চপ চাবা প্লানিং তৌনবা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা খঙহনখ্রে।

রিজিজুনা আজ টক ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা কেরোনাভাইরসনা পূম্নমক হোং দোকহল্লে, স্পোর্টস ইভেন্টশিং অনৌবা প্লানিং তৌদুনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। ষ্টেদিয়মদা ওদিয়েন্স য়াওদনা য়াম্না ফজবা মওংদা পাঙথোক্লবা ওঠোরিটিশিংদা প্লান তৌনবা মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা হোমশিংদা লৈরিবা অককৃবা রিছোর্সশিংগী মতুং ইন্না অঙম্বা মওংদা ট্রেনিং চখরিবা অসিদা মিনিষ্টর রিজিজুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। কোরোনাভাইরস লোকদাউন লৈখিবদগী এঠলেট কয়া অমা মখোয়গী ট্রেনিং সেসন পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিবা অসিদসু মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা নুংঙাইতবা উৎখি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওনলাইন সেসনশিং চখবনা এঠলেটশিং অমসুং কোচশিংদা অহেনবা নোলেজ ফংলি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লোকদাউন লোয়শিনখ্রবা মতুংদা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস পটিয়ালা, দিল্লিগী আই জি ষ্টেদিয়ম, এস এ আই সেন্টরশিং অমসুং অতোপ্পা প্রেমিয়র স্পোর্টস সেন্টরশিং এঠলেটশিং ট্রেনিং তৌনবগী হাং দোক্লগনি। অহানবা ওইনা টোকিও ওলেম্পিক্সকী হোৎনরিবা এঠলেটশিংদা খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিগী লাম্হেংদা য়াওরিবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনসু স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। এঠলেট কয়ানা মীয়ামগীদমক শেল, চান-থক্লবা অমসুং দরকার লৈবা পোৎলমশিং দোনেট তৌরি। শান্নরোইশিং অসিনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূত্থাংদা এৱারনেস কেম্পেন কয়া চত্থদুনা লায়চৎ অসি থেংননবা হোৎনরিবা অসিদসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# কোরিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট কে-লীগতা গাংৱোন এফ সিনা এফ সি সিওলবু ৩-১ দা থোইখ্রে, পোহাংসু মায় পাকখ্রে

*সিওল, মে ১০ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা কে-লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা গাংৱোন এফ সিনা এফ সি সিওলবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা পোহাং ষ্টিলরসনা বুসান আই'পার্কপু ২-০ দা থোইখ্রে।

গাংৱোন এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা এফ সি সিওলগা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি।

মতম কুইনা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৬শুবা মিনিটতা এফ সি সিওলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই পার্ক দোং জিননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌরকখি।

গোল শোত্থরিবা গাংৱোন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু এফ সি সিওলগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোয়শিনখিবা ফাওবদা এফ সি সিওলনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈরি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হেক হৌরকপদগী গোল শোত্থরিবা গাংৱোন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা এফ সি সিওলগী দিফেন্স লাইন নমখায়রম্লগা এটেক কয়া চত্থরকখি।

শান্নবগী ৫২শুবা মিনিটতা গাংৱোন এফ সিগী শান্নরোই সিন ক্বাংহুননা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট কিম জি হিয়োননা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

টিম অনীমক গোল মান্নরবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা অহেনবা গোল চনশিন্নবা অকনবা মওংদা এটেক চত্থনদুনা লাকখি। মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৫শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা গাংৱোন এফ সিগী শান্নরোই চো জে ৱাননা গোল অমা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাবা হৌরকখি।

গাংৱোন এফ সিনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মথং মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা হান কুকয়ংনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট কিম সিউং দেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা হেল্লগা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি।

এফ সি সিওলগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা মেটচ অসি গাংৱোন এফ সিনা এফ সি সিওলবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

কে-লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পোহাং ষ্টিলরসনা বুসান আই'পার্কপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

পোহাং ষ্টিলরস অমসুং বুসান আই পার্কনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসিসু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি। অদুবু মেটচ অসি পোহাং ষ্টিলরসকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা হেন্দুনা গোল চনশিনবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনিটতা পোহাং ষ্টিলরসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা কিম য়োং হৱাননা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট ষ্টেনিস্লাভ ইলজুটসেঙ্কোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা বুসান আই'পার্ককী শান্নরোইশিংনা প্রেসর পীশিনখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল ওইথোকপা য়াবা খুদোংচাবা লৈনখিদবদগী পোহাং ষ্টিলরসনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অদুমক লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা পোহাং ষ্টিলরসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুমক চত্থদুনা লাকখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনিটতা পোহাং ষ্টিলরসনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

গোল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই আলেকসান্দর পালোসেভিসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী লেমহৌবা মিনিট ২০ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী মেটচ অসি পোহাং ষ্টিলরসনা বুসান আই' পার্কপু ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি।



# মণিপুরদা হল্লক্কদৌরিবা মীওইশিংনা ঙাক্কদবা কাঙলোনশিং শেমখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১০ (এস এন এস)ঃ*

কোভিদ-১৯ লায়চৎ শন্দাকপা থেংননবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমখিবদগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংবু ইন্দিয়ান রেলৱেজকী অখন্নবা ট্রেননা পুশিল্লক্লবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা মীওইশিং অদুনা তঙাই ফদনা ইনগদবা কাঙলোন (ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর) শিং শেমখ্রে হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হায়রিবা লৈঙাক্কী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর (এস ও পি) অদুগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা মণিপুরদা হল্লক্নে হায়রবদি লৈঙাক্কী ওইবা ৱেবসাইট www.tengbang.in দা রেজিষ্টর তৌবগী মথক্তা মখোয়না লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুগী লৈঙাক্তসু রেজিষ্টর তৌগদবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজনা পীবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ট্রেন থারক্কদৌরিবা ষ্টেট অমদি মণিপুরগা কো-ওপরেসন লৈনগনি। লোয়ননা হায়রিবা ট্রেনশিং অদু শুকলেপ লেপ্তুনা লাক্কদবা মরম্না থুংলক্কদবা মীওইশিংনা লৈগদবা মফমশিং শেম শাগনি অমদি খ্বাইদগী হান্না মণিপুর য়ৌরকপগী তঙাই ফদবা লৈরবা মীওইশিংদমক হোন্দোকপা হৌগনি।

ষ্টেট অনীগী লৈঙাক্না য়ান্নরবা মতুংদা ট্রেনদা পুগদবা মীওইশিং অদু লিষ্ট শেমদুনা মশা মশাদা খঙহল্লক্কনি। লোয়ননা ট্রেন তোংদ্রিঙৈদা স্ক্রিনিং চত্থগনি অমদি কোভিদ-১৯ লায়ওংলৈত্রে খঙবা মীওই খক্তমক ট্রেন তোংগনি। অমদি মখোয়না তোংগদবা সিট নম্বরশিং অখন্ননা শেমলক্কনি। নাকল অমরোমদা খোঙচৎ অদুদা ওঠোরিটিগী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পীনবা থৌরাং তৌরবসু মশা মশানা মশাগী চান্নবা পোৎলমশিং পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা ট্রেন খূদিংমক লেপ্তুনা মণিপুরগী জিরিবাম ফাওবা লাক্কনি। অদুম ওইনমক ওপরেসন প্রপোজ খরগীদমক খাল্লকপা য়াই মদুদা মীয়াম্না ট্রেনদগী কুমথবা তৌরোইদবনি। মদুগী মথক্তা ট্রেনগী দাবা অমদগী দাবা অমদা চৎনবা হোৎনরোইদবনি অমদি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎকদবনি।

ট্রেনশিং অদুনা জিরিবাম হেক থুংলবগা মফম অদুদা লৈরিবা স্ক্রিনিং কাউন্টরশিংদা মীয়াম্না অমমমতা ওইনা স্ক্রিনিং তৌগদবনি অমদি মফম অমদা মী ওমশিন্দুনা লৈরোইদবনি। করিগুম্বা ট্রেনশিং অদুনা অথেংবদা য়ৌরক্লবা তারবদি ট্রেন মনুংদা স্ক্রিনিং চত্থগনি। মদুদা মীয়াম্না মশা মশাগী মফমদগী লেঙদনা লৈগদবনি। লোয়ননা মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তা বসতা ইম্ফাল তম্না পুথোক্কদবনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা মফম অদু ট্রেন্না য়ৌরকপা মতমদা মখা পোনগনি।

স্ক্রিনিং লোয়রবা মীওইশিংদা মখোয়না তোংগদবা বস অমদি সিট নম্বরগী টোকন য়েন্থোকনি। মীয়াম্না কোয়চৎ চৎতুনা লৈবা তৌরোইদবনি। পীরিবা সিট অদুদগী হেনলোইদবনি অমদি পেসেঞ্জর খুদিংমক্কী মখূত্তা ক্বারেন্টিন ষ্টাম্প নমগনি। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু নোদেল ওফিসারশিং খনগৎতুনা দিপ্যুটি কম্মিসনর জিরিবাম অমদি মণিপুর পুলিসকা অমত্তা ওইনা মীয়ামশিং পুথোক্লবা হোৎনগনি।

পেসেঞ্জরশিংনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্ট মতুং ইন্না অখন্নবা বসতা তোংদুনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টকী ক্বারেন্টিন সেন্টরশিংদা পুগনি। মফমশিং অদুদা নুমিৎ ১৪ ক্বারেন্টিন চত্থগনি অমদি লায়ওং উৎলকপা মীওইশিং মখা তানা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎকনি। জিরিবামদা থুংলগদবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিংনা মখোয়বু ওকপা অমদি লৌবা লাকপা য়ারোই অমদি হায়রিবা চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইরকপশিং নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট অমদি ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী মখাদা চৈরাক ফংহনগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# মেঞ্জর মঙাংনা খাঙবোক কেন্দ্রগী উয়াল ৱাংবলদা পি এম জে এ ৱাই কার্দ খূৎশিন্নখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১০ (এস এন এস)ঃ*

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী দেদিকেটেদ কারিকর্টা অমসু ওইরিবা সোসিয়েল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জর মঙাংগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা উয়াল-ৱাংবম খুঙ্গংগী মীওই ৭৬ রোমদা পি এম জে এ ৱাই কার্দ ঙসি ৱাংবল পার্টি ৱানগী লৈকোলদা বেনিফিসিয়ারিশিংদা সোসিয়েল ৱার্কর অসিগী মচানুপা ডা. খুন্দ্রাকপম রোমেনকুমারগী খূত্থাংদা খূৎশিন্নখ্রে।

মেঞ্জর মঙাংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা ভারত সরকারনা পীরিবা হকশেলগা মরী লৈননা চহী অমদা লায়রবা ইমুং অমদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী মতেং পীবগী খুদোংচাবা অসি খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা লায়রবা মীয়াম য়াওহনবদা অঙম্বা মতেং মখা তানা পাঙগনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা লায়রবা প্রজাশিংবু নুংশিবিবা অমদি মতম পূম্বদা মতেং পীবিরিবা বি জে পিনা লুচিংবা শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাকপু লৈবাক মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

# চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১০ (এস এন এস)ঃ*

কোভিদ-১৯ গী চৈথেং নঙলবা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা ইমুং কয়াদা সাইটোন অৱাং লৈকায়দগী সোসিয়েল ৱার্কর সৌগ্রাকপম ওংবী সোরোজিনিনা কেন্দ্র অসিদা খূন্দারিবা ইমুং লিশিং ১২ হেন্না চান-থক্লবা মতেং পাঙখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মখা তানা মতেং পাঙখ্রে।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা ইথাই খুনৌ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ইথাই মোদর্ন সিভিলাইজেসন ক্লব, চিলদ্রেন হোম কুম্বী তেরাখোং, ওল্ড এজ হোম কুম্বী হায়রিবা মফমশিং অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু মতেং পাঙখিবনি হায়রি।

হন্দক নোংলৈ নুংশিৎতা হুমদোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা য়ুমশিংদসু সোসিয়েল ৱার্কর অসিনা অঙম্বা জিঙ্খ (টিন) খরসু য়েন্থোকখি।

মসিগা লোয়ননা ইথাই খুন্নৌ হায় স্কুলদা ক্লব অনী অসিনা শীন্দুনা মপাল লমদগী হল্লকপশিং লৈনবা হাংলিবা ক্বারেন্টিন সেন্টরশিংসু তঙাই ফদনা চঙবা পোৎ-চৈশিং মতেং পাঙখি।

# সেদো হিয়াংলম্না লেপ্তুনা মতেং পাঙলি

*ইম্ফাল, মে ১০ (এস এন এস)ঃ*

মালেমগী লায়চৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯ না শুফম নোম্ফম ফংদ্রবা সেদো হিয়াংলমনা কোনবা মফমশিংদা চান-থক্লবা মতেং লেপ্তুনা পাঙদুনা লাকপা অদুগী মখা চত্থরকপা অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়াম্না হেন্না শোত্থরবা ইমুং ৩০ দা চেঙ কেজি ১৫। ১৫ অমদি হৱাই, থাও, থুমনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা সেদো হিয়াংলমগী ৱাংমদা লৈবা লমজাওদা লৈবা মচা মশু অমত্তা লৈত্রবা হকচাংগী ফিভম শোয়নাইরবা মীওই অমগা লোয়ননা হৌখিবা চহী ২০১৮ দা গারীনা থেংলম্বদগী লেঙ ওৎপা ঙমদনা ফমুংদা য়াতাদুনা লৈরিবা মীওই অমগী ইমুং অনীদা চেঙ বেগ অমমম অমদি হৱাই, থাও, থুম, মোরোক, আলুনচিংবা পোৎলমশিংসু মতেং পাঙখ্রে।

ক্রোসৱার্দ ৫১৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | I | P | E | N | ■ | U | P | O | N | ■ | E | L | S | E |
| O | C | E | A | N | ■ | N | U | D | E | ■ | M | A | M | A |
| V | E | R | S | E | ■ | T | R | E | A | S | U | R | E | R |
| E | D | I | T | ■ | S | I | E | S | T | A | ■ | G | A | L |
| ■ | ■ | M | E | D | A | L | ■ | ■ | E | L | D | E | R | S |
| C | H | E | R | U | B | ■ | N | O | R | S | E | ■ | ■ | ■ |
| O | A | T | ■ | D | E | L | I | S | ■ | A | P | A | R | T |
| P | I | E | R | ■ | R | E | E | L | S | ■ | P | L | A | Y |
| E | R | R | O | R | ■ | S | C | O | O | T | ■ | T | I | P |
| ■ | ■ | ■ | L | E | A | S | E | ■ | R | E | C | E | D | E |
| R | A | R | E | S | T | ■ | ■ | T | E | N | O | R | ■ | ■ |
| E | W | E | ■ | E | L | O | P | E | R | ■ | S | N | A | G |
| P | A | L | A | T | A | B | L | E | ■ | S | T | A | R | E |
| O | R | A | L | ■ | S | O | O | N | ■ | E | A | T | E | R |
| T | E | X | T | ■ | T | E | D | S | ■ | C | R | E | A | M |